## RNU, IMPHAL
## MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 10-04-2024)**

**পুলিস(এল)ঃ** মনিপুর পুলিসনা হায়রি-হৌখিবা পুং ২৪ দা রাজ্য অসিদা পামদবা থৌদোকশিং অমত্তা থোক্তনবা লাকশিনদুনা থম্বা ঙমলে।

মনিপুর পুলিস কন্ট্রোল রুমনা থাদোরকপা চেরোল অমদা হায়-অদুমওইনমক, চিং অমসুং তম্পাক্কী চিংনবা মফম কয়াদদি মখা তানা থিবা হুন্বা অমসুং এরিয়া দোমিনেসনগী থবক লেপ্তুনা চথরি। হায়রিবা মতম অসিদা নেসনেল হায়ৱে ৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা পোৎ-চৈ পুবা গাড়ি ২২৩ অমসুং নেসনেল হায়ৱে অনি-ইম্ফাল দিমাপুর লম্বীদা পোৎ চৈ পুবা গাড়ি ২৬৩ সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা পুশিল্লকখি।

**সাইতোন (এল)ঃ** লাক্লিবা লোক সভা মীখলদা মথৌ তৌনবগীদমক রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা খুল ঙাক্লিবা সি.আর.পি.এফকী পার্সোনেলশিং লৌথোকবা হোৎনরকপদগী মফম অদগী মীয়ামনা লৌথোকখিবা য়ারোই হায়দুনা খোঙজং চংশিন্নখ্রে।

সাইতোন হায়স্কুলদা লৈবা সি.আর.পি.এফকী পার্সোনেলশিং ঙরাং অহিং লৌথোকবা হোৎনরকপদগী সাইতোন মৈরা পায়বী য়াওনা মফম অদুগী মশিং য়াল্লবা মীয়ামনা লৌথোকখিবা য়ারোই হায়দুনা ইহৌ হৌরকখি হায়রি।

অমরোমদা, কংলাতোম্বী, তুমুখোং, মোইরাংপুরেল, য়াইঙংপোকপী, লৈমরাম, ফৌবাকচাউ ইখাই অমসুং ত্রোংলাউবিনচিংবা মফমশিংদগীসু সি.আর.পি.এফ. অমসুং বি.এস.এফ. লৌথোকখিবা য়ারোই হায়না মীয়ামনা ইহৌ হৌরকখি হায়রি।

**ইভিএম (এল)ঃ** চুরাচান্দপুর জিলাগী মিণি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সতা লৈবা

ষ্ট্রোং রুম বিল্ডিংদা থা অসিগী মঙাদগী ই.ভি.এম. অমসুং ভি.ভি. পেথ মেছিনশিং কম্মিসন তৌবগী থবক চথরকপা অদু ঙরাং লোয়শিনখ্রে। ই.ভি.এম. অমসুং ভি.ভি. পেথ মেছিনশিং অদু রাজনিতি দলশিংগী মীহুৎশিংগী মমাংদা ষ্ট্রোং রুমদা সিল্ড তৌদুনা থমখ্রে।

অমরোমদা, জিলা অসিদা লৈরিবা ভোটরশিংনা শোয়দনা ভোট থাদবা থোরকবগীদমক মীয়ামবু ৱাখল তাহনবা অমসুং স্বিপ কেম্পেইন কয়া লেপ্তুনা পাঙথোক্লি। জিলা অসিগী ওইনা থা অসিগী ১৯ দা অহানবা তাঙ্কক্তা ভোট থাদনগদৌরিবা বিধান সভা কেন্দ্র মরিদা পোল্লিং ষ্টেসন ২৭৪ অমসুং ইন্টরনেল দিসপ্লেস পার্সনশিংগী স্পিপসিএল পোল্লিং ষ্টেসন ১৫ দা ভোট থাদনগনি। মসিদা ই.ভি.এম. সেট ৪৬৫ শিজিন্নগনি হায়রি। জিলা অসিগী ওইনা পোল্লিং পার্সোনেলশিংগী অরোইবা রাউন্দগী ট্রেন্নিং থা অসিগী ১২ দগী হৌগনি হায়রি।

বিষ্ণুপ্র জিলাগী ওইনা মীখলদা মথৌ তৌগদবা পোল্লিং পার্সোনেলশিংগী অনিশুবা রাউন্দগী ট্রেন্নিং ঙসিদগী মিণি সেক্রেটরিয়েট কমপ্লেক্সতা পঞ্চায়ট রিছোর্স সেন্টরগী পি.আর.সি. হোলদা হৌরগনি। মরী লৈনবা স্পিপসিএল পোল্লিং ষ্টেসনশিংগী প্রিসাইদিং ওফিসারশিং, পি.ও-ৱান, পি.ও-টু অমস্ং পি.ও-থ্রিশিংনা শোয়দনা শরুক য়ারননবা জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়রি। জিলা অসিদা পুন্না পোল্লিং ষ্টেসন ২২ লৈগনি।

নোনে জিলাগী ওইনা এবসেন্টি ভোটরশিংগী য়ুম য়ুমদা চৎতুনা পোষ্টেল বেল্লোটতা ভোট থাদহনবগী থবক তাঙ্কক অনি থোকা পাঙথোক্লগনি হায়রি। জিলা অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ইলেক্সন ওফিসারনা থোকপা চেরোল অমদা হায়-অহানবা তাঙ্ককা থা অসিগী ১৮ দা অমসুং অনিশুবা তাঙ্ককা থা অসিগী ২০ দা পাঙথোক্কনি।

**পিএমঃ** লাক্লিবা লোক সভা মীখলগীদমক লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা ভোট খোম্বগী থবক খম থেংনা কল্লে। তোঙান তোঙানবা রাজনিতি দলশিংগী স্তার কেম্পেইনরশিং অমদি লুচিংবা কয়ানা রাজ্যশিংদা কোইনা চৎতুনা মীয়ামগী মীতিন পাঙথোকপা অমসুং রোড সো তৌদুনা মখোয়গী মীরেপশিংবু শৌগৎপগী থবক কয়া লেপ্তুনা চত্থরি।

বি.জে.পি. লুচিংবা অমসুং প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী নুমিৎ নিনিগী তামিল নাদু খোঙচৎ ঙরাংদগী হৌখ্রে। মহাকা ঙরাং চেন্নাইদা হেক থুংবগা বি.জে.পিগী মীরেপশিংবু শৌগৎপা রোড সো অমা পাঙথোকখি। কিলোমিটর অনিরোম শাংনা চৎখিবা রোড সো অদু পানাগাল পার্কতগী হৌরগা এলদমস রোডতা লোয়শিনখি। রোড সো অদুদা রাজ্য অদুগী বি.জে.পি. প্রসিদেন্ট-কে. অনামলাই য়াওনা দলগী লুচিংবা কয়াসু শরুক য়াখি। ঙসিনা কম্বাইতোর মনাক্তা লৈবা ভেল্লর অমসুং মেতুপলায়মদা পাঙথোক্কদবা মীখলগী মীতিনশিংদা ৱা ঙাংগনি।

অমরোমদা, মদুরাইদা ঙরাং পাঙথোকপা মীখলগী মীতিন অমদা দি.এম.কে. লুচিংবা অমসুং রাজ্যগী মুখ্য মন্ত্রি-এম.কে. ষ্টেলিন শরুক য়াখি। মফমদুদা ৱা ঙাংমদা শ্রী ষ্টেলিননা, বি.জে.পিনা বিরোধি দলশিংগী লুচিংবশিংদা ইনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেট অমসুং অতৈ এজেন্সিশিং শিজিন্নদুনা মিংচৎ থিহন্নবা হোৎনৈ হায়না মরাল শিখি। বি.জে.পিনা সাসন তৌদবা রাজ্যশিংদা ফন্দ মতিক চানা ফংদে হায়নসু মহাকা নুংঙাইতবা ফোংদোকখি।

**কেজ্রিৱালঃ** লিক্কর পোলিসি ৱাথোক্কা মরী লৈননা ইনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেটনা ফাদুনা লৈরিবা দিল্লিগী মুখ্য মন্ত্রি-অরবিন্দ কেজ্রিৱালনা মহাকপু ফাখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা থাংগৎলকপা ৱাকৎ অমা দিল্লি হায় কোর্টনা য়াখিদ্রে।

শ্রী কেজ্রিৱালনা গৱা মীখলগীদমক আম আদমি পার্টিগী মীরেপশিংগীদমক

শেল পীখি হায়বগী মতাংদা মতিক চাবা প্রমানশিং ইনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেটনা পীরে হায়না জষ্টিস-সোরানা কান্তা শর্ম্মনা ফোংদোকখি। মরম অদুনা শ্রী কেজ্রিৱালনা লোক সভা মীখল মমাংদা মহাকপু ফাজিনবা অসি তৌবীদনবা ৱাকৎলকপা অদু মরম চাদে।

**এরেষ্টঃ** সাইন সিটি ফ্রাউদ কেসকা মরী লৈননা চথরিবা থিজিন হুমজিনবগী মনুং চন্না ইনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেটনা মীওই অহুম অমগসু ফারে। মখোয়শিং অদুদি-অশিব নাশিব, অমিতাব কুমার শ্রীভাস্তবা অমসুং মিরা শ্রীভাস্তবানি।

উত্তর প্রদেস পুলিসনা রাসিদ নাশিম অমসুং সাইন্স সিটি গ্রুপ ওফ কম্পানিজকী মথক্তা এফ.আই.আর. থাংগৎতুনা ৱাকৎলকপদগী ইনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেটনা মখা তানা থবক লৌখৎলকপনি। হায়রিবা কম্পানি অসিনা মীয়ামদা শেন্দোই ৱাংনা ফংহনগনি হায়না থাজবা পীদুনা শেল থাদহনবদগী লুপা কোতি ৮০০ লোম খোমগৎখি। তুংদা, মখোয়না ফোংদোকখিবা ৱাফম অদু নমথাক তৌরম্বদগী কম্পানি অসিগী মথক্তা থিজিনবগী থবক হৌরকখিবনি। ইনফোর্সমেন্ট দাইরেক্তোরেটনা হায়-ফাগৎলবা মীওই অহুম অসি সাইন সিটি গ্রুপ ওফ কম্পানিজগী দিরেক্তরশিংনি অমসুং ৱাথোক অসিদা মপুং ওইনা চেন্নরিবা মীওইশিংনি।

**নেপালঃ** নেপালদা আর.পি.পিগী খোঙজংলোইশিংনা নেপালবু হিন্দুগী লৈবাকনি হায়না লাউথোকবা অকনবা খোঙজং চংশিল্লকপদগী নেপাল পুলিসকা চাউনা মুকবা থোকখ্রে।

তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী লাকখিবা খোঙজংলোইশিংগী রেল্লি অমনা অথিংবা লৈরিবা মফমশিংদা নমদুনা চংনবা হোৎনরকপদগী ভদ্রাকালি রোডতা সেক্যুরিতি পার্সোনেলশিংগা চাউনা মুকবা থোকখিবনি হায়রি।

**এনআইএঃ** নেসনেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এন.আই.এ) না অতারি দ্রগ সিজর কেসতা মপুং ওইনা চেন্নবা মীশক হরৱিন্দর সিংহ্ ফারে।

ইন্দিয়ান কষ্টমনা ইং ২০২২ গী এপ্রিলদা লুপা কোতি ৭০০ রোমগী মমল ওইগদবা হেরোইন কিলোগ্রাম ১০২ ফাগৎখি। কেস অসিগী মতাংদা এন.আই.এনা থিজিনবদা পঞ্জাবতা লৈবা মীওই অসিনা দ্রগশিং অদু য়োনবা অমসুং শেল লৌবগী থবক্তা বেঙ্ক অমসুং হৱালা চেন্নেলশিং শিজিন্নে হায়বা খঙবা ঙমলে।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ঙরাং শজিবু নোংমা পানবা চৈরাউবগী প্রেস ছুতি ওইখিবদগী ঙসি ইম্ফালদা ফোংবা পাউচে অমত্তা ফোংনদ্রে। অদুমওইনমক, চীংগী জিলা খরদদি পাউচেশিং অদুম্মক ফোংনরি।

হিসল হোর্ন বিল এক্সপ্রেসতা-সরকারনা নাগা ৱাথোক্কী ৱারোইশিন পুরক বা লেপ্তুনা হোৎনরি হায়না প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমসুং রাজ্য অসিদা লৈমিন্নরিবা কাংলুপশিংগী মরক্তা নুংশি চান্নবগী মরি হেনগৎহনবা তঙাইফদে হায়না আউট মনিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা মীরেপ ওইরিবা খো-জোননা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা পাউচে অসিগী হেদলাইনশিং তৌরি।

প্রধান মন্ত্রিনা থৌনা লৈরবদি ইরাং লৈরিবা মনিপুরদা লাক্তুনা ভোট খোম্মু হায়না কংগ্রেসনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অমসুং লাক্লিবা লোক সভা মীখলগী মাংওইননা লাইসেন্স নোংমৈশিং পীখৎলকপগী চাং য়ামা নেল্লি। রাজনিতি দলশিংগী মকোক থোংবা লুচিংবশিং মনিপুরদা লাক্তুনা ভোট খোম্বগী মমি উদ্রি হায়বা পাউশিংসু পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

তমেংলোংদা ফোংবা গানফিয়ু মেলদা-কংগ্রেসকী কেন্দিদেট-অলফ্রেটনা

চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোল জিলাদা ভোট খোম্বা আউটর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিটুয়্যসনগী অহানবা মীরেপ ওইরে হায়না হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা-ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াগী মতুং ইন্না লোক সভাগী অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলদা কেন্দিদেট লিশিং ১,৬২৫ না মীখল থেংনগনি। মীরেপ লিশিং ১,৪৯১ না নুপানি। ১৩৪ না নুপী মীরেপনি হায়না অহানবা লামাইদা ফোংলি।

মনিপুরগী ইরাং অসিনা মরম ওইরগা মপানদা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিং হন্দক্কী মীখল অসিদা ভোট থাদবা ফংবগী খুদোংচাবা উদ্রি হায়বা পাউ অমসুং বি.এল.ওনা অহল ওইরবা ভোটর অমদা বি.জে.পিদা পোষ্টেল বেল্লোটকী খুত্থাংদা ভোট থাদনবা হায়রম্মী হায়বা ৱাথোক্কী মতাংদা কংগ্রেসনা দিষ্ট্রিক্ট হলেক্সন ওফিসারদা ৱাকৎখিবগী পাউসু পাউচে অসিগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।